# খদ্রক্তা ইলেক্ট্রিক প্রি-পেইড

## কনেক্সনগী শেল খোমগৎলম্বা ফারে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মে ১৩ঃ স্টেট ইলেক্ট্রিসিটি ডিপার্টমেন্টনা অনৌবা থৌরাং অমগী মখাদা ইম্ফাল সহর মনুংদা ইলেক্ট্রিক প্রি-পেইড মিতর পান দুনা মায় পাক্লা পৱার সপ্লায় তৌরিবা অসিদা খদ্রক তৌরগা মীয়ামদগী অনৌবা কনেক্সন তৌবগী মিংদা শেল খোমগৎলম্বা অমা ফাগৎপা ঙমখ্রে।

ফারবা মীওই অদুগী মমিংনা এমদি য়াহিয়া (৩০) অপোকপা এমদি রিয়াজউদ্দিন কৌই, হট্টা গোলাবতিদগীনি।

মহাক ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তারকপদা পাওনা বজারদা লৈবা জেইন ইলেক্ট্রিকেল গল্লি অমদগী ফাগৎখিবনি হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউনা হায়, এমদি য়াহিয়া-না পাউনা বজারদা লৈবা মপুং ওইনা দুকান্দার খরদগী খদ্রক তৌদুনা ইলেক্ট্রিক প্রি-পেইড মিতর কনেক্সন তৌবীগনি হায়না লূপা চনি-চনি খোমগৎলগা লাকখি।

ঙসিসু মহাক্লা অনৌবা কনেক্সন তৌনবা শেল লৌনবা হোৎনরক-পদগী মফম অদুদগী পুলিসকী মতেংগা লোয়নননা ফাগৎপা ঙমখি।

মহাক ফাবগী পাউ হেক ফংবগা ডিপার্টমেন্ট অসিগী ইম্ফাল ইলেক্ট্রিকেল ডিভিজন-১ গী ই ই এল ইবোচৌবসু মফম অদুদা লাক্তুনা য়েংশিল্লখি।

এমদি য়াহিয়াবু ই ই অসিনা ডিপার্টমেন্টকী মীওই নত্তে হায়বসি মফম অদুগী মীয়ামদা খঙহল্লবা মতুং মরালগী মতুং ইন্না পুলিসতা শিন্নখ্রে হায়রি।

ইলেক্ট্রিক প্রি-পেইড মিতর কনেক্সন তৌবগী লুপা চনি-চনি লৌই হায়বগী কমপ্লেইন্ট অমা ডিপার্টমেন্টতা লাকখি। অদুবু মদু ডিপার্টমেন্টকা মরী লৈনদে। করিগুম্বা মীওই অদু মীয়াম্না ফারবদি ডিপার্টমেন্টতা পাউ পীবীয়ু হায়দুনা শেন্নরগা লৈরকখিবনি। ঙসি ডিপার্টমেন্টপু লান্না উহল্লিবা য়াহিয়াবু ফাগৎপা ঙমখিবসি নুংঙাই হায়নসু ই ই অসিনা ফোংদোরক্লি।

ফারবা এমদি য়াহিয়া দ্রগ চাবা মীওইনি পল্লদুনা মহাক্লা মীয়ামদগী অরানবা মওংদা খদ্রক তৌরগা শেল অদু খোমগৎলম্বনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, ডিপার্টমেন্ট অসিগী ইম্ফাল ইলেক্ট্রিকেল ডিভিজন-১ গী মখাদা পাওনা বজার এরিয়াদা প্রি-পেইড মিতর ১২৫০ ইনস্টোল তৌবগী মনুংদা মিতর ১১০০ দা পৱার লাইন কনেক্সন তৌদুনা মসিগী কান্নবা ফংহনখিবগা লোয়নননা কঞ্জুমরশিংদগী তোল্লম্বা খজনা লুপা ১১.২ লাক্ষ খোমগৎপা ঙম্লে। এরিয়া অসিদা অয়াম্বা কনেক্সন লোইশিল্লক্লে হায়না ডিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলনা ফোংদোকখ্রবনি।

ডিপার্টমেন্ট অসিদগী ওফি-সিয়েল ওইবা পাউনা হায়রিবনা থাঙ্গাল বজারদা কঞ্জুমর ২৫৪২ লৈবগী মনুংদা হৌজিক প্রি-পেইড মিতর কনেক্সন ২১০০ ইনস্টোল তৌরে। অথুবদা কঞ্জুমর ২০০ রোমদা অহানবগী ওইনা পৱার কনেক্সন তৌখ্রে। মসিগা লোয়নননা এরিয়া অসিদগীনা পন্দুনা লৈরম্বা খজনা লুপা ১.৫ লাক্ষ খোমগৎপা ঙম্লে হায়রি।

মসিগী মথক্তা ইম্ফালগী রাগাইলোং এরিয়াদা প্রি-পেইড মিতর ২৫০ ইনস্টোল তৌখিবগা লোয়নননা অরিবা কঞ্জুমর ১৫০ দগী তোল্লম্বা খজনা লুপা ০.৮৫ লাক্ষ খোগৎপা ঙমখ্রে হায়রি। নমদুলোংদা মিতর ২৭০ ইনস্টোল তৌখিবগা লোয়নননা প্রি-পেইডকীদমক কঞ্জুমর ৭০ দগী লুপা ০.৭ লাক্ষ খোমগৎপা ঙমখি হায়রি।

মিনুংথোং এরিয়াদা প্রি-পেইড মিতর ২৮০ ইনস্টোল তৌবা লোয়শিনখিবগা লোয়নননা কঞ্জুমরশিংদগী লুপা ১.২ লাক্ষ খোমগৎখ্রে। নোর্থ এ ও সি এরিয়াদনা প্রি- পেইড মিতর ১৩০ ইনস্টোল তৌখিবগা লোয়নননা মসিগী মনুংদা ৯০ দা কনেক্সন তৌখিবগা লোয়নননা এরিয়া অসিদগী লুপা লাক্ষ ১৭.৭৮ খোমগৎপা ঙমম্লে হায়রি।

ডিপার্টমেন্ট অসিনা প্রি-পেইড মিতর কনেক্সন তৌরবশিংগী ইলেক্ট্রিক কেবল ৱায়র অসি লৈনুংদা পুরি। মসি মপুং ওইনা মৈ হুরানগদবদগী চেকশিনবনি। লোয়নননা ইলেক্ট্রিক প্রি-পেইড মিতর রি-চার্জ তৌবদা শিজিন্নরিবা ‘ভেন্দিং মেছিন’ না কৈশাম্পাৎ পৱার হাউস মনাক্তা ইনস্টোল তৌরি। ডিপার্টমেন্ট অসিগী হেড ওফিসতা প্রি-পেইড সিস্তেমগী তোঙানবা সেক্সন অমা শেমগৎলি। মসি হেক লোয়বগা ভেন্দিং মেছিন অসি সেক্সন অসিদা হোংজিনগনি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তানা হায়রি।